

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*সিনসিনাটি ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসতা চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভাবু মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রবী গ্রিসকী মারিয়া সকারি*

*য়ু এসকী প্রোফেসনেল সোক্কর টিম ওরেঞ্জ কাউন্টি সোক্কর ক্লবতা সাইন তৌখ্রবা মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবা ফ্রান্সিস জেকোবস*

## বিদ্যাসাগর সিংহগী পাঞ্জল অনীনা ইষ্ট বেঙ্গলনা বেঙ্গালুরুবু ২–১ দা থোইদুনা নোক ষ্টেজ চঙখ্রে



*কোলকটা, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি)ঃ*

এসিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দুরান্দ কপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী লীগ মেটচ অমদা বিদ্যাসাগরগী পাঞ্জল অনীনা বেঙ্গালুরুবু গোল ২–১ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী নোক আওট ষ্টেজ য়ৌখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌবদগী বেঙ্গালুরুগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা লাকখি। অদুবু ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না ফজনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লাকখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ১৭শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরুগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই অজয় ছেত্রিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল শোখরিবা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা বেঙ্গালুরগী মায়কৈদা এটেক কয়া চখদুনা লাকখ্রবসু বেঙ্গালুরুগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা বেঙ্গালুরুনা ইষ্ট বেঙ্গলবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না কনশিল্লক্তুনা বেঙ্গালুরুগী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি। মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গল টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা বিদ্যাসাগরনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৪শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা বিদ্যাসাগর সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২৬ রোমগী মতম অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্মখিদবদগী মেটচ অদু ইষ্ট বেঙ্গলনা বেঙ্গালুরুবু গোল ২–১ দা থোইদুনা দুরান্দ কপকী নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী অনীশুবা রাউন্দদা গৱানা চেন্নাই সিটিবু গোল ২–১ দা থোইদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী খুদোং চাবা ফংখ্রে।

মেটচ অসি হেক য়ৌবদগী গৱাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। মেটচকী ৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই লিষ্টোন কোলাকোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১৬শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা মাসুর সেরিফনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নখি।

মেটচকী ৩০শুবা মিনটতা গৱাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই নেষ্টর দিয়াসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা গৱানা চেন্নাই সিটিবু ২–১ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদবদগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু গৱানা চেন্নাই সিটিবু গোল ২–১ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী খুদোংচাবা ফংখি।

## স্বিটজরলেন্দগী ফেদরর অমদি সর্ভিয়াগী জোকোভিস ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউথর্ন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*ওহিও, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এসকী সিটি সিনসিনাটিদা চখরিবা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউথর্ন ওপন (সিনসিনাটি ওপন) দা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমদি সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস মখোয়–মখোয়গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা আর্জেন্টিনাগী জে আই লোন্দেরোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা এক্সপরিয়েন্স লৈরগা শান্নরোই স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা আর্জেন্টিনাগী লোন্দেরোগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা আর্জেন্টিনাগী লোন্দেরোগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না খরা উৎপা ঙমখ্রবসু স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬–৪ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।



*নুপাগী সিঙ্গলসতা অহুশুবা রাউন্দ চঙখ্রবা স্বিটজরলেন্দগী ফেদরর (ওই) অমদি সর্ভিয়াগী জোকোভিস*

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা নম্বর ৱান সিদেদ লোয়ননা ৱার্ল্ড নম্বর ৱানসু ওইরিবা সর্ভিয়াগী শান্নরোই নোবাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক য়ু এসকী শান্নরোই সাম ক্বেরিবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

অহানবা সেট শান্নরকপদা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী গেম ৫–৫ দা মান্নদুনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপদা থংনবা গেম অদু সর্ভিয়াগী জোকোভিসনা থোইবা ঙমদুনা সেট অদু ৭–৫ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা অনীশুবা সেটতা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা য়ু এসকী সাম ক্বেরিগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইবা ঙমখিবদগী অহুমশুবা রাউন্দদা স্পেনগী কারেনো বুষ্টাগা শান্নরগনি।

স্পেনগী কারেনো বুষ্টানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ১৩শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ু এসকী জোন ইসনরবু সেট অহুম চঙনা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৪, ৬–৭(১–৭), ৭–৬(৮–৬) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌরকপনি।

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা গ্রিসকী শান্নরোই মারিয়া সক্কারিনা ৬শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভাবু সেট ২–১ (৬–৪, ২–৬, ৬–৩) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক য়ু এসকী শান্নরোই ভেনস ৱিলিয়মসনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ৫শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–৩, ৩–৬, ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

য়ু এসকী অতোপ্পা শান্নরোই সোফিয়া কেনিননা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেসপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৭–৬(৮–৬) দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌদুনা কজাখষ্টানগী দিয়াসকা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু রন ২৬ তা থোইদুনা ফিজিকেল দিসএবল ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেটকী টাইটল লৌখ্রে



*মুম্বাই, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দ অমদি ৱেল্স ক্রিকেট বোর্দনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা টি–২০ ফিজিকেল দিসএবিলিটি ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেট সেরিজগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু রন ৩৬ তা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

ফাইনেল মেটচ অসিগী টোস ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিক্রান্ত কেনীনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনখি। ইন্দিয়ানা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ আওট ওইরগা রন ১৮০ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অসিদা রভিন্দ্র সান্টেনা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা বোল ৩৪ মায়োক্নবদা সিক্স ৪ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ৫৩ লৌরমখি। টিম অসিগী ওপনর কুনাল ফানাসেনা বোল ৩৫ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩৬ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী অনীশুবা খ্বাইদগী ফজবা বেটসমেন ওইখি।

ভিক্রান্ত কেনিগী বোল ২৭ তা রন ২৯ লৌরম্বা অমদি সুগানেস মাহেন্দ্রানগী বোল ১১ দা সিক্স ৪ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন ৩৩ লৌরম্বা অসিনা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৮০ লৌবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী বোল্লিংদা এল ও ব্রিয়েননা ওভর ৫ লংবদা রন ৩৫ পীরগা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ২ আওট তাহনখিবা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

ইংলেন্দনা মায় পাক্নবগী রন ১৮১ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা বেটসমেন ৮ আওট ওইরগা রন ১৪৪ লৌখিবদগী ফাইনেল মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু রন ৩৬ তা মায়থিবা পীরম্লগা টি–২০ ফিজিকেল দিসএবিলিটি ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেট সেরিজগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী ইন্নিংসতা বেটসমেন এ ব্রাউননা রন ৪৪ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি। টিম অসিগী অতোপ্পা বেটসমেন সি ফ্লিনসু রন ২৮ লৌরমদুনা টিম অসিগী অপুনবা রনদা চাওনা মতেং পাঙলমখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা কুনাল ফানাসেনা ইংলেন্দগী বেটসমেন ২ আওট তাহনবা ঙমখি। টিমমেট সন্নি গোয়টসু ইংলেন্দগী বেটসমেন অনী আওট তাহনখি। ফাইনেল মেটচ অসিদা কুনাল ফানাসেনা রন ৩৬ লৌখিবা অমদি ইংলেন্দগী বেটসমেন ২ আওট তাহনখিবা পার্ফোমেন্স অসিনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

## ইন্দিয়াগী টিমশিং টেষ্ট ইভেন্টকীদমক শেম শাখ্রে

*টোকিও, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি)ঃ*

থা অসিগী ১৭তগী জপানগী কোনুং টোকিওদা শান্নবা হৌগদৌরিবা টেষ্ট ইভেন্টকীদমক ইন্দিয়াগী নুপী অমসুং নুপাগী হোক্কী টিম শেম শাবা লোইখ্রে।

ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্ট অসি চহী অসিগী নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ঐচ ওলিম্পিক ক্বালিফয়রগী মাঙওইননা পাঙথোকপনি। টেষ্ট ইভেন্ট অসিদা ক্বালিফায়র টুর্নামেন্ট অসিদা চাওনা মতেং পাঙলগনি।

ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপা টিম্না ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৫শুবদা লৈদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইরি। ইন্দিয়গা লম্বা তৌনগদৌরিবা ন্যু জিলেন্দনা ৱার্ল্ড নম্বর ৮ দা, মালেসিয়ানা ৱার্ল্ড নম্বর ১২ অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জপাননা ৱার্ল্ড নম্বর ১৬ তা লৈরিবনি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী টিম ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ১০শুবদা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্না অনীশুবা পোজিসনদা লৈদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা রেঙ্ক ওইরি। চাইনানা ১১শুবা পোজিসন অমদি য়ুম্বু জপাননা ১৪শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম অসি ৱার্ল্ড নম্বর টুদা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূত্তা মমাঙ চহীগী কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী সেমি ফাইনেলদা ০–১ দা মায়থিখিবা মতুং অমুক্তা শান্নদ্রি।

## নেদরলেন্দসকী এজাক্স প্লে ওফ রাউন্দ চঙখ্রে, পোর্টুগালগী পোর্টো লৈহৌরে

*অমষ্টরদাম, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি)ঃ*


য়ুরোপকী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চেম্পিয়ন্সিপ লীগকী ঙসি শান্নখিবা ক্বালিফায়রদা নেদরলেন্দসকী ক্লব এজাক্সনা গ্রিসকী ক্লব পোকপু ৩–২ দা থোইদুনা এগ্রিগেটতা ৫–৪ দা হেন্দুনা প্লে ওফ রাউন্দ চঙখ্রে, পোর্টুগালগী ক্লব পোর্টো লৈহৌরে।

নেদরলেন্দসকী ক্লব এজাক্সনা ক্বালিফায়রগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা গ্রিসকী ক্লব পোকপু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীরমখি। মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা পোককী শান্নরোই দিএগো বিসেশ্বরনা্ দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ২ ৱাৎলিঙৈদা এজাক্সকী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা দুসান টেদিক্না পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মতম খরা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখি। মেটচকী ৭৯শুবা মিনটতা এজাক্সকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা নিকোলাস টেগ্লিয়াফিকোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮৫শুবা মিনটতা এজাক্সনা ফংখিবা অনীশুবা পেনাল্টিতা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা দুসান টেদিকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা মেটচ অসি মায় পাকপগী লম্বেলদা নকশিনহনখি।



মেটচকী অরোইবা মিনটতা গ্রিসকী ক্লব পোককী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা দিএগো বিসেশ্বরনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু এজাক্সনা ৩–২ দা মায় পাক্তুনা এগ্রিগেটতা ৫–৪ দা হেন্দুনা প্লে ওফ রাউন্দ য়ৌখি।

ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পোর্টুগালগী ক্লব পোর্টো রুশিয়াগী ফুটবোল ক্লব এফ সি ক্রাসনোদরগী মখূত্তা ২–৩ দা মায়থিহৌদুনা এগ্রিগেটতা ৩–৩ দা মান্নদুনা লৈখিবদগী পোর্টো প্লে ওফ রাউন্দ চঙবা ঙমখিদ্রে।

মেটচ অসিদা এফ সি ক্রাসনোদরগী মায়কৈদগী চনখিবা পাঞ্জলশিং অদু টোনি ভিহেলা অমা অমদি সাপী সুলেমানোভন অনী চনখি। অদুগা এফ সি পোর্টোগী পাঞ্জলশিং অদুনা জে লুইস অমদি লুইস দিয়াসনা চনখিবনি।

## লক্ষনৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টর–ষ্টেট মিটতা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা এঠলিট কয়া শরুক য়ারোইদৌরি

*কোচি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি)ঃ*

লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা এঠলেট হিমা দাস অমদি মোহমদ অনাস য়াওনা মকোক থোংবা এঠলেট কয়া ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বালিফিকেসন ওইনা উত্তর প্রদেশকী সিটি লক্ষনৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল ইন্টর–ষ্টেট মিটতা শরুক য়ারোইদৌরি হায়না এঠলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইন্টর ষ্টেট মিট অসিদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপা এঠলেট ৭ অমদি নুপী এঠলেট ৬ শরুক য়ারোইদৌরি। এঠলেটশিং অসিগী মনুংদা হিমা দাস, মোহমদ অনাস, এম পি জাবির, এ ধারুন, ভি কে ভিসমায়া অমদি এম আর পুরভাম্মা য়াওরি।

জেবলিন থ্রো মশান্নগী দিপ্যুটি চীফ কোচ ওইরিবা রাধা কৃষ্ণন নাইরনা ফোঙদোকখিবদা, ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী মতম খজিক্তুং ঙাইরবা অসিদা তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা নেসনেলগী অমদি ইন্টরনেসনেলগী তোঙান–তোঙানবা টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোকপনা মরম ওইদুনা লক্ষনৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল ইন্টর–ষ্টেট চেম্পিয়ন্সিপ কম সেলেক্সন অসিদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা এঠলেটশিং অসি শরুক য়াবা ঙমখিদবনি হায়রি।

হৌজিক পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অমদি টুর্নামেন্টশিংদগী শান্নরোইশিংগী পার্ফোমেন্স অদু য়েংলগা মথং থাদা দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোই অদু খনগনি হায়রি।

### ক্রোসৱার্দ ২৫০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| W | I | M | P | | I | T | E | M | | O | A | T | H | S |
| A | R | I | A | | N | O | V | A | | A | R | R | O | W |
| C | O | R | R | E | C | T | E | D | | R | O | U | T | E |
| O | N | E | A | L | | A | R | E | A | | U | S | E | D |
| | | | S | M | I | L | E | | N | E | S | T | L | E |
| A | C | R | O | S | S | | S | N | I | D | E | | | |
| F | E | E | L | | O | N | T | I | M | E | | F | B | I |
| A | D | E | | A | L | E | | C | A | N | | L | A | D |
| R | E | D | | B | A | S | S | E | T | | D | O | L | E |
| | | | B | E | T | T | E | | E | N | I | G | M | A |
| R | E | C | E | D | E | | N | A | S | A | L | | | |
| A | L | O | E | | S | T | E | P | | P | E | S | O | S |
| D | A | R | T | S | | A | G | R | E | E | M | E | N | T |
| A | T | A | L | E | | M | A | I | L | | M | A | C | E |
| R | E | L | E | T | | E | L | L | S | | A | N | E | W |


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES**

-----

**NOTIFICATION**

Imphal, the 9th August, 2019

**No. VFA/TRG/2019-Vety.** : Applications from intending candidates are invited for undergoing 1 (one) year Veterinary Field Assistant Training Course at Veterinary Field Assistant Training Centre, Khumbong for the academic session, 2019-20. The prescribed application form shall be available on payment of Rs. 300/- (Rupees three hundred) only from the Directorate of Veterinary & A.H. Services, Manipur w.e.f. 14/08/2019. The duly filled up prescribed application form along with the required testimonials/certificates and a Demand Draft for a value of Rs. 600/- (Rupees Six hundred) only for General and OBC Candidates and Rs. 400/- (Rupees four hundred) only for SC/ST Candidates from any Nationalized Bank drawn in favour of the Director, Vety. & A.H. Services, Manipur being the Examination Fee should be submitted on or before 26/08/2019 as detailed below.

| Particulars | | Date | |
|---|---|---|---|
| Issue of Application Form | : | 14th August to 24th August, 2019 (on working days) | (10:30 AM to 4:00 PM) |
| Submission of Application Form | : | 21st August to 26th August, 2019 (on working days) | (10:30 AM to 4:00 PM) |
| Issue of Admit Card | : | 30th August & 31st August, 2019 | (10:30 AM to 4:00 PM) |

The Entrance Test shall be held on **Sunday, the 1st September, 2019**. The venue and time of the Examination shall be given at the time of issue of admit card.

**Eligibility:**

- Candidates should pass Class-XII (10+2) Science or Equivalent Examination in the subjects - Physics, Chemistry & Biology from a recognized Board/ Council.
- Candidate should attain 17 years and shall not exceed 25 years of age as on 1st July, 2019. However, the upper age limit is relaxable for 3 (three) years in respect of ST/SC/OBC candidates.

Sd/-
**( H. Chaoba Singh )**
Director, Vety. & A.H. Services,
Manipur.
**Imphal, the 9th August, 2019**

*SL/BILL(E)/15 &16*